# 'অমত্তা ওইবগী ৱাখল লৈরবা মতমদা তংদু লৈতাবা ঙমগনি'

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮(ঐচ এন এস): লমদম অসিদা তুংগী জাতিগী যুন্বী ওইগদৌরিবা নহাশিংনা অমত্তা ওইবগী ৱাখল লৈরবা মতমদা খুন্নায়দা তংদু লৈতাবা পুরকপা ঙমগনি হায়না পীপলস রিসর্জেন্স এন্দ জষ্টিস এল্লাইয়েন্স (প্রজা) গী লুচিংবী ইরোম চনু শর্মিলানা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি চীংমৈরোংদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী নেসনেল ত্রাইবেল য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়শিংগা অখন্ননা য়ুনিভর্সিটি অসিগী কেম্পসতা উনবদা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবনি। য়ুথ ফোর চেঞ্জ হায়বা সিগনেচর কেম্প্যেন অমা ওইনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী কেম্পসতা মহৈরোয়শিংগা হকথেংননা উনবদা লুচিংবী অসিনা মখা তানা হায়, মীয়ামগী লুচিংবা অমা হায়বসি মগুন য়াওদবা মীওইনা ওইগদবা নত্তে। ওইনিংই হায়না ওইবা য়াবা নত্তে। লুচিংবা অমা ওইবগী থৌনা, মগুন, শক্তিশিং পুন্নমক লৈবা মীওইনা মীয়ামগী লুচিংবা ওইবা য়াগনি। পুক্নিংদা লুচিংবা ওইনিংলিবনি হায়দুনা মীওই অমনা লুচিংবা হেক্তা ওইবা য়াবা নত্তে।

লুচিংবা হায়বসিদি য়াম্না খঙ হৈরবা, মথৌনা লৈবা মীওই ওইগদবনি। মহাক্কী মখাদা মীওই খুদিংমকপু তুং ইলহন্দুনা চিংবা ঙম্বা মীওই অদুবু লুচিংবা হায়না খঙনরিবনি হায়খি।

খুন্নায় অমদা নহাশিংনা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন লৈরবা মতমদা খুন্নায় অদু তংদু লৈতাবা ঙমগনি। খুন্নায় অমদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা অচেৎপা মরীশিং থম্লদুনা হেন্না য়াইফবা খুন্নায় অমা শেম্বা মথৌ তাই। ফুরুপ অমখক্কী অনিংবা, অপাম্বনা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংদা অকায়বা নুংঙাইতবা পীবগী মওং তৌরোইদৌবনি।

ফুরুপ অমখক্কী ৱাখল্লোনদা মীওই খরনা লুপশিন্দুনা মখোয় খক্তগী শক্তি, অপাম্বশিং মীয়ামদা খঙহন্দুনা খুন্নায় অমদা অকায়বা কয়া পীরগদি মদু ফত্তে। কাঙলুপ খরা অদুনা তৌরিবসি লাল্লিবরা হায়বদু খন্থফম থোক্লে। ফুরুপ অমখক্কীদমক অপাম্বশিং তানবদা মীয়ামদা কায়রোইদবা য়াম্না দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা চথবদা মীয়াম পুন্না শৌগৎফম থোকই হায়খি।

মহৈরোয়শিংগী মরক্তুগী হংলকখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্না হায়, লমদমসিদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী ওইবা পোলিটিকেল পার্টি লৈবা হায়বসি অপীকপা ৱাখল্লোননি। লমদম অসিদা খুন্দারিবসি তোঙান তোঙানবা ফুরুপ ঙাক্তনি। ফুরুপশিংগী মরক্তা খেন্নবা লৈরগসু ঐখোয় মশেলদি অমত্তনি হায়বা ৱাখল্লোন্না মাঙ থারগা চঙশিনবনা খ্বায়দগী অফবা ওইগনি।

# বি জে পিগী ফিরালশিং চিংখৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮(ঐচ এন এস): হৈরোক এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিদা বি জে পিগী কেন্দিদেট ওইনবা থৌরাংলিবা টিএচ রাধেশ্যামগী মীখলগা মরী লৈননা থা অসিগী ৬ তগী চথরকপা য়ুম য়ুমশিংদা ফিরাল চিংখৎপগী থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি হৈরোক পার্ট ৱান, টু অমসুং থ্রিদা লৈবা রাধেশ্যামবু শৌগৎপা মীওইশিংগী য়ুম লীশিং কয়াদা বি জে পিগী ফিরাল চিংখৎখ্রে।

অসিগুম্বা ফিরাল চিংখৎপগী খোঙজং অসি মখা তানা এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী য়ুমথোং খুদিংদা চথনবা পান্দম থম্লি। অমরোমদা, খোঙজং অসিবু মপুং ফানা শৌগৎলকপগীদমক বি জে পি হৈরোক মন্দলনা মীয়াম্বু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

# অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮(ঐচ এন এস): মণিপুরগী হোকি টিমদা শরুক য়াদুনা নেসনেল চেম্পিয়নশিপ কয়াদা শান্নরুরবা ৱাংখৈ কোন্সম লৈকায়দা লৈবা ফঞ্জৌবম চিদানন্দ (৫১) অপোকপা লৈখিদ্রবা পিএচ গোবর্ধন্না থা অসিগী ৬ তা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা মণিপুর হোকিগী ইগজিক্যুটিবকী ঙসি অয়ুক পুং ৭ রোম তাবা মতমদা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা ফোঙদোকখ্রে।

মীফম অদুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী মফমদা ইংনা চিক্না লৈখিনবা নীজবগা লোয়ননা মীনিট অনী তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি হায়রি।

# ইকনমিক ব্লোকেদনা অৱাবা পীরে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮(ঐচ এন এস): মণিপুরদা হৌখিবা চয়োল অনীরোমগী মমাংদগী হৌনা ইকনমিক ব্লোকেদ তৌখিবনা মরম ওইদুনা মীয়ামদা খম থেংনা অৱাবা পীরে। মণিপুর গভর্নমেন্টনা তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিং শেম্নবা লৌতুনরুবগী মহয়না ইকনমিক ব্লোকেদ অসি চথখিবনি হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিস সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। ব্লোকেদ অসিনা ইম্ফালদা নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎচৈগী মমল শরুক তরুক হেন্না হেনগৎখ্রে। কাঙলুপ কয়াগী মরক্তা অরানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরকপগী ঈরাং থোক্লকপা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়রি।

# লৈঙাক্কী ফমশিং লৌগদৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮(ঐচ এন এস): ষ্টেটিষ্টিক্স দিপার্টমেন্টকী অহাঙবা ফম সব ইন্সপেক্তর অমা, কম্প্যুটর ওপরেটর অনী, সোর্টর অহুম, এল দি সী অমা, ষ্টেনোগ্রাফর গ্রেদ টু অমা, দ্রাইভর অমা, চৌকিদার মরী অমসুং পিওন অনী লৌগদৌরিবা অসিগীদমক থা অসিগী ১৪ অমসুং ১৫ দা দিরেক্তোরেট ওফ ইমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জ লম্ফেলপাৎতা, ইমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জ ইম্ফাল ইষ্টতা রেজিষ্টার তৌরবা থবক থিরিবা মীওইশিংনা দরখাষ্ট থাবা য়াগনি হায়রি।

মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্টকী এল দি সী/ওফিস এসিষ্টেন্ট কম কম্প্যুটর ওপরেটর তরেৎ, রোদ মোহোরি তরুক, দ্রাইভর অহুম, চৌকিদার মরি লৌনবগীদমক থা অসিগী ৯ দা ইম্ফাল ইষ্টকী এসিষ্টেন্ট ইমপ্লোইমেন্ট ওফিসরদগী অকুপ্পা মরোল খঙবা য়াগনি হায়রি। হায়রিবা পোষ্টশিং অসিসু ইম্ফাল ইষ্টকী ইমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জদা রেজিষ্টার তৌরবা থবক থীরিবা মীওইশিং ওইগদবনি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট ইমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জদা রেজিষ্টার তৌরবা থবক থীরিবা মীওইশিংনা দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রেজরিজ এন্দ একাউন্টকী জুনিয়র একাউন্ত এসিষ্টেন্ট মঙা অমসুং গ্রেদ ফোর মরি লৌগদৌরিবা অসিগীদমক্তা থা অসিগী ৯ দগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্টকী এসিষ্টেন্ট ইমপ্লোইমেন্ট ওফিসরদা এপ্লিকেসন থারকপা য়াগনি হায়রি। হায়রিবা থবকশিং অসিগী ইন্টর্ভিয়ুগী মতম অমসুং মফম কোন্না লেপ্লক্কনি হায়রি।

# রেল্লি চংকনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮(ঐচ এন এস): বি জে পি মহিলা মোর্চা মণিপুর প্রদেশনা শীন্দুনা খাগেমপল্লি হুইদ্রোম লৈকায়দগী কৈশামপাৎ বি জে পি ওফিস ফাওবা নুপীশিংগী ওইবা পিছ রেল্লি অমা থা অসিগী ১০ গী অয়ুক পুং ৯ তাবা মতমদা চংকনি বি জে পি মহিলা মোর্চা মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি এদমিনিষ্ট্রেসন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# অশিবা হকচাং অমা লৈরম্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮(ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা ময়াই লম্বীগী ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুল লমখায় মনাক্তা ঙসি অয়ুক নুপা অমা লম্বীগী নাকলদা শিদুনা লৈরম্লে হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না মফম অদুদা শিদুনা লৈরম্লিবা নুপা অদুগী মমীং মোইরাংথেম থোইবা (৫৩) কৌই। মহাক সেকমাইজিং অৱাং হেঙ্গুনদা লৈবনি হায়রি। মহাক মফম অদুদা মতৌ করম্না শিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। মহাক্কী মশাদা থোইদোকপা দাগফমসু লৈতে। অশিবা হকচাং অদু ইমুং মনুংনা লৌখ্রে।

# গাড়ী ১০১ পুথোরকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮(ঐচ এন এস): য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী) না মণিপুরগী লাইফলাইন ওইরিবা হায়রৱ অনীদা ইকনমিক ব্লোকেদ চথরিবা অদুদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা পুলিসনা চেকশিন্না ঙাক শেনবগী থবক লৌখৎলি। চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পীনা লুচিংবা কাঙবুনসু মোরেদা পন্দুনা লৈরম্বা পোৎ পুবা গাড়ী ১০১ রোম ঙসি নুংথিল অশোয় অঙাম থোকহন্দনা ইম্ফালদা পুথোরকখ্রে। লম্বী অসিদা ইরাং থোকপা য়াবা মফমশিং পুলিসনা অয়ুক পুং ৬ তগীনা নুংথিলগী পুং ৪ ফাওবা আর ও পী চত্তুনা ঙাক শেনবগী থবকসু চথরি।

---


## OFFICE OF THE IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION

### N O T I C E

Imphal, the 8th December, 2016

**No. IMC/100-II/2010/Pt-IV:** It is hereby informed to Public in General, Advertising Agencies, NGOs or any Institutions in particular that Advertisement by means of hoarding, Festoon, Banner, Kiosk, Poster (any form of display or exhibit on land, Building, Walls, holding frame or on any structure) etc. shall not be done within the jurisdiction of the Imphal Municipal Corporation, without the permission or approval of the Corporation.

Any person, firm or organisation who commits the aforementioned acts without the permission or approval of the Corporation, shall be punished under the Provisions of the "Manipur Municipalities Act 1994, Nagar Panchayats (Advertisement) Model Bye Laws, 1998" read with the "Tax on Advertisement Bye Law 1979".

Sd/- **Ng. Uttam Singh**
*Municipal Commissioner,*
Imphal Municipal Corporation

HL-P/10820/9


## ꯑꯦꯇꯤꯑꯦꯝ/ ATM CARD LOST

I have lost my ATM Card of United Bank of India issued by United Bank of India M.G. Avenue, on the way from Wangkhei Meihoubam Lampak to Konung Mamang on 6/12/2016. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **Yumnam Ranjita Devi**
Naharup Mayai Leikai
☎ 9089599454

HL-P/10812/9

## ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ ওজা কয়ামুদ্দিনবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা ফিনুংদা হাক্কৎচবা, অমাঙথোং ময়াদা চেকখায়বা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ য়াওরকপা, অমাঙথোং ময়াদা পোল্লগা ঈ তাবা তৌরম্বা অদু **এম ডি কয়ামুদ্দিন** **ফু নৈন্দ্রময়ুম** ☎৮৫৭৫৮১৪৭২০, ৮৪১৩৮৭০০২৭ দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐঙেন্দা লৈরম্বা অনাবশিংদু ঈশ্বরগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা কবিরাজবু মীয়ামগী সেবা মতম কুইনা তৌহনবীসনু হায়না ঈশ্বরদা থৌনিজরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 12.00 noon. , 2. Hatta Minuthong Bazar : 1.00 pm to 5.00 pm

*থাগৎচরিবা :* **Thongram Radhakanta Singh**
*Old Checkon Thongkhong Soibam Leikai*

HL-P/3453/10/11-12/12

## <OFFICE JOB WORK AT HOME>

### Employment News

1. Telle Caller Job - Qua -X/XII Salary :- 6200 -12200
2. Massage Sending Job - Qua - VIII - Grad Sal- Rs-5200-13500
3. Cooking Job Project - Only for Housewive Sal- 8200-16200.
4. Typing Job & Data Entry Qua- X- Grad Sal-9200-11500

Everyone can join :-
Students,Housewife,Employed &
Business persons

<<URGENT AIRLINES JOB IN IMPHAL & DELHI

Job for the Airline & Shipping Job, NoTraining Fees & No Deposit,

| Airlines :- | Monthly Salary | Qualification :- | Post :- |
|---|---|---|---|
| i. Ground Staff | Rs-15,500 to 32000 | X/XII | 12 |
| ii. Airport Driver | Rs- 10,000 to 25000 | X/XII | 16 |
| iii . Host / Hostess | Rs-30,000 to 52,000 | XII / Grad | 09 |
| iv) Air Loader / Cargo Staff | Rs- 9500 Min | VIII | 29 |

Shipping Job :-

Placement for Fresher / Experience ( No Deposit)

| | | | |
|---|---|---|---|
| i. G.P Rating / Host- | Rs- 30,000 to 68,000 | VIII/X | 12 |
| ii. Deck Officer | Rs- 55000 to 1 Lac | XII | 09 |
| iii. D.N.S Cadet | Rs- 70,000 to 1.5 Lac | XII / Grad | 20 |

<<<Wanted Office Executive in Imphal >>>

1. Computer Operator Qua -XII Age -20 -38 Y Sal - RS 7200 Min
2. Asst Manager Qua- XII/Grad Age-18- 28 Y Sal- 8200 Min
3. Van Driver / Helper Qua - VIII /X Age-18-30 Y Sal - 6500 Min
4. Attendent Qua - X/XII Age- 18- 28 Y Sal - 7200 Min
5. Sweeper / Cook Qua - VIII Age-19 - 30 Y Sal- 5200 Min
6. General Manager Qua- Grad Age- 19 - 30 Y Sal- 10500 Min

For Detail Just Visit us at :-
LEIMA JOB GUIDELINE SERVICE,KWAKEITHEL BAZER,AIRPORT ROAD ,IMPHAL.
Office Hour :- 10 :00 am to 02:00 pm. Contact no:- 8974975286

HL-B/3481/17 Nov - 16 Dec. Alt.

## ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ/মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।

২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।

৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।

৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।

৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।

৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি উনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

**অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।**

Regd. No. 4277 of 82 April
Phone No. **9615533737, 9856271907**
**DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee**

HL-B/3488/23/11-22/12

## ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ

### দশা য়েংজরি

অনৌবা চহিগী দশা, মহৈ-মশিং, থবক-করবার, য়ুম-দুকান, রাজনিতিগী মায় পাকপা, সাইন্টিফিক ওইনা জন্ম কুঠীদগী য়েংজরি। দাউ য়ানবা বস্তু অমসুং ফেংশুইগী পোৎ ফংবীগনি।

*Sd/-*
**JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung
Wangkheirakpam
Leikai, Near
Community Hall, Imphal
☎: **8575657417**

HL-P/10788/6-12

## POST VACANT AT IMPHAL

GOVERNMENT OF MANIPUR
Regd. No. 14/006/21/06926
**URGENT REQUIRED**

| | | |
|---|---|---|
| **HOSPITAL** | | |
| 1. Nurse | ANM, GNM, B.Sc. | 4000 - 6000 |
| 2. Lab. Technician | DMLT, BSc MLT | 4500 - 5500 |
| 3. X-Ray Technician | Diploma | 4000 - Above |
| 4. Nurse (Fooding+Lodging Free) | DNM, BSc. | 4000 - 20,000 |
| **MICROFINANCE** | | |
| 1. Accountant | Tally | 6500 - 8000 |
| 2. Reception, Computer Operator | X - XII | 4000 - 6000 |
| 3. Recovery Officer | X | 5000 -8000 |
| 4. Loan Officer | XII | 6000 -7500 |
| **BANKS** | | |
| 1. Account opening staff | Graduate | 12000 - 15000 |
| 2. Credit Card Satff | XII | 8000 - 10000 |
| 3. Customer Service Point | XII | —— |
| **SHOWROOM & PUT. OFFICE** | | |
| 1. Sales Girl/Boy, Front Office | X | 400 - Above |
| 2. Security, Driver, Helper | VIII | 5000 - Above |
| 3. Cook, Malli, Chowkidar | VIII | 5000 - Above |
| 4. Gunman, VIP Guard, Supervisor | VIII | 8000 -10,000 |
| 5. Counsellor, Administrator | XII-Grad | 6000 -8,000 |

**Interview Dt. : 19/12/2016** **Last Submission : 17/12/2016**

*Sd/-* **Rivalry Guidance Centre**
Keishamthong Moirangningthou Leirak Machin
Office Hour : 9:30 a.m – 3.30 p.m.
☎ **7085508060 / 8575340288 / 9089742445**

HL-P/10173/9,11,13,15

## Hurry PROMISING KIDS ACADEMY Hurry

INNOVATION THROUGH EDUCATION
**SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI, IMPHAL-WEST**

# ADMISSION OPEN

**PRE-NURSERY TO CLASS-VIII**

GOOD NEWS FOR PARENTS, THE PROMISING KIDS ACADEMY, SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI, IMPHAL-WEST OFFER 100% **ADMISSION FEE FREE** FOR **PRE-NURSERY TO CLASS - II** FOR THE ACADEMIC SESSION 2017 - 2018, TILL 20TH DECEMBER.
*** OUR GOAL IS TO GIVE THE BEST EDUCATION TO OUR STUDENTS AND TO PROMOTE GOOD QUALITY EDUCATION.

**ALL MANIPUR MATHS COMPETITION WINNERS, 2015**

3rd Position, Class - III **Chingkheinganba**
8th Position, Class - III **Richard**
7th Position, Class - VI **Preecy**

**ALL MANIPUR MATHS COMPETITION WINNERS, 2016**



8th Position, Class - VII **Preecy**
10th Position, Class - I **Khelonya**
10th Position, Class - I **Gomina**

HL-P/10814/9-13



## ꯑꯦꯇꯤꯑꯦꯝ/ ATM CARD LOST

I have lost my ATM Card of State Bank of India issued by SBI Porompat Branch, on the way from Wangkhei Meihoubam Lampak to Konung Mamang on 6/12/2016. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **Aribam Meghachandra**
Naharup Mayai Leikai ☎ **9089599454**

HL-P/10813/9

## ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ GRATITUDE



Ashok Kumar

I have healed from **Cervical Spine Compression (C4/ C5/ C6)** after 7 days consultation with **Sir Ashok Kumar** at his clinic, **Ashok Kumar Health Care Centre, Near E.S.U. Ground, Palace Compound, Imphal,** ☎ **9612988625.** I have been suffering for seven months. I had so much numbness of my hands that I could not raise up. Both my legs were quite numb and horribly dormant which caused me so much discomfort and paralyzed my life. All such physical agonies got healed after his incredible 7 days treatment. So, I wish to show my heartfelt gratitude to him. May God bless him to serve long for the people.

*Sd/-* **K. Nilachand Singh**
New Checkon, Imphal

HL-P/10816/9

## ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/শরদকুমার লোংজমবু থাগৎচরি



শরদকুমার

নুঙগী লায়েংবা **ওজা লাইশ্রম নবকিশোর** শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক ইম্ফালনা ইবিবা **"চুম্মী" হায়না লৌবীৱা? "লাল্লি" হায়না লৌবীৱা?** হায়রিবা লাইরিক অসি পাবা মতমদা ৱাখল নুংঙাইহনবা মীওইবগী মরক্তা নুংশিনবা মরী অমা পুরকপা ঙমহনবা অসিগুম্লবা লাইরিক অসি অমুক্কা হন্না তুংগী হৌরক্লিবা মীওই সমাজ অমদি মীহৌরোলগীদমক্তা খনবীদুনা মীতৈ ময়েক্তা ফোংদোকপীরিবা প্রিন্সিপাল ওজা **শরদকুমার লোংজম** সনসাইন একাডমী মোইদাংপোকপু হন্না হন্না থাগৎচরি।

*থাগৎচরিবা ঃ* **মুতুম দিনমনি**
খোঙজোম লমখাই
☎ **9774227219**

HL-P/10743/1/12-30/12

## IN THE COURT OF THE DIRECTOR SETTLEMENT & L.R. MANIPUR

***Revenue Misc Case No. 9 of 2016***

1. Thongam (O) Shanti Devi, W/o Nandakumar Singh of Lamphelpat.
2. Moibungkhongbam Priyo Meitei S/o (L) Thambou of Lamphelpat.
3. –do–.
4. Huidrom Premjit Meitei S/o (L) Bihari Singh of Wangkhei Ningthem Pukhri Mapal.
5. Ngangom (N) Mila Devi D/o (L) Ibomcha Meitei of Lamphelpat.
6. Thokchom (O) Kamini Devi W/o Krishna Tombi Singh of Lamphelpat.
7. Thokchom (O) Jaya Devi W/o Dilipkumar Singh of Lamphelpat.
8. Ngangom (N) Kunjarani Devi D/o (L) Ibomcha Meitei of Lamphelpat.
9. Ngangom (N) Jina Devi D/o (L) Ibomcha Meitei of Lamphelpat.
10. Ngangom (N) Jita Devi D/o (L) Ibomcha Meitei of Lamphelpat.

### ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

Imphal, the 17th Nov. 2016

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মথক্তা পীরিবা মীওইশিং অসিদা খঙহল্লি মদুদি খুন নং ৯১ (এ) লম্ফেলপাৎ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা পাট্টা নং ৩২০ (অরিবা), ৩৭/৬২৫ (অনৌবা), সী এস দাগ নম্বর ৩০৮১, এরিয়া ০.২৩৫০ হেক্তর হায়রিবা লম অসি ঙাঙোম ইবোমচা মৈতৈগী মমীংদা লৈবা অসিদগী খায়দোকখিবগী মতাংদা মথক্তা পীরিবা মীওইশিং অসিনা মখোয়গীদা লৈবা চে-চাংশিং হায়বদি Challan Copies, T.R. Copies অমসুং Allotment Order শিংগা লোয়ননা লমগা মরী লৈনবা চে-চাংশিংগা লোয়ননা মথক্তা পীরিবা কোর্ট অসিদা লাক্লিবা তাং ১৬/১২/২০১৬ ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা নুংথিলগী পুং ২.০০ তাবা মতমদা লাকপীরগা আপতি তৌবিরগদবনি, করিগুম্বা পীরিবা মতম অসিদা লাক্তুনা আপতি তৌবিদ্রবদি মতুং লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌজরোই কেস মখা চথরগনি।

*Sd/-* **Somorjit Salam**
*Director,* Settlement & Land Records, Manipur

*Date : 8/12/2016*

HL-P/10815/9


## GOVERNMENT OF MANIPUR
## PUBLIC HEALTH ENGINEERING DEPARTMENT

### N O T I F I C A T I O N

Imphal, Dec. 8, 2016

**No. CE/PHE/1-1(NG)/2016/2188:** In pursuance of Government of Manipur, Secretariat (PHE) letter No. 3/8/2009-PHE(Pt) dated 1-12-2016, the Public Health Engineering Department invites application in the prescribed format from the intending candidates for appointment to the following posts on temporary basis through sponsorship of the concerned Employment Exchange offices in Manipur.

| Sl. No. | Name of post | Qualification | Pay Band (RoP 2010) | No. of post | UR | ST | OBC (M) | PWD |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Office Assistant cum Computer Operator | Graduate with completed course on Computer Concept (DOS + Windows+MS Office+ Multimedia+Internet)-(CCC) of a recognized Institute | PB- Rs. 5200-20200 GP - Rs. 1900 | 20 | 11 | 6 | 3 | – |
| 2. | Driver | Matriculate/Class X-passed with Driving Licence valid for the last 3 years. | Rs. 5200-20200 GP - Rs. 1900 | 10 | 6 | 3 | 1 | – |

2. **Method of recruitment :**

A. **Office Assistant cum Computer Operator**

a) ***Written Test :***

i) 15 marks (30 minutes) - General English
ii) 15 marks (30 minutes) – General Knowledge

b) 15 marks (30 minutes) – Computer skill test (Practical)
c) 15 marks – Interaction

B. **Driver :**

a) ***Written Test :***

i) 15 marks (30 minutes) - General Knowledge

b) 15 marks – Driving proficiency test and Interaction.

**Tentative Timeline for the recruitment :**

1. Date of Notification : 8-12-2016
2. Date of requisition from Employment Exchange : 16-12-2016
3. Last date of requisition for Employment Exchange : 28-12-2016
4. Date of issue of Form : 17-12-2016
5. Last date of issue/submission of form : 2-01-2017
6. Date of issue of Admit Card : 6th, 7th & 9th January, 2017
7. Date of written Exam. : 15-01-2017 (venue & time will be notified later)
8. Computer Skill Test : To be notified later
9. Date of Interaction : To be notified later

3. Age limit : Above 18 years and upper age limit shall be 38 years or below as on 2/01/2017 relaxable upto 41 years for OBC category and 43 years for ST/SC for all posts.
4. The number of posts shown above may be increased or decreased according to the requirement.
5. The date and time of the Written Test Examination and Interaction may be altered without assigning any reason.
6. Prescribed application form and details can be had either from the office of the Chief Engineer or can be downloaded from the website **www.phedmanipur.gov.in**
7. Self attested certificates in support of qualification, domicile/residential, scheduled tribe, age proof, etc. and 2 (two) Nos. of recent passport size photographs, should be accompanied while submitting the completed application form and the above certificates, in original, should be produced at the time of interaction.
8. Application Fee : Rs. 500/- for UR & OBC candidates and Rs. 300/- for SC/ST candidates.
9. Interested candidates may apply through respective Employment Exchange offices for sponsoring the above posts.

*Sd/-* **H. Sunil Singh**
Chief Engineer, PHED
Govt. of Manipur

HL-B/3531/9&10